# প্রাইম মিনিষ্টরনা *রন ফোর য়ুনিটি* লমথাখ্রে

## ৱেষ্ট বেঙ্গলদদি য়ুনিটি দেগী থৌরমদা সেন্টরগী ৱাফম থৌশাখিদ্রে



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ৩১(এজেন্সী):

লৈবাক্কী অহানবা দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর শরদার বলভ্‌ভাই পতেলগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা দিল্লিগী ধ্যান চান্দ ষ্টেদিয়মদা ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা *রন ফোর য়ুনিটি* লমথাখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙখিবদা মোদিনা মমাঙ কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টপু শরদার বলভ্‌ভাই পতেলনা লৈবাক্কীদমক লৌরম্বা থৌদাং থৌশাখিদে হায়না মরাল শীখি।

মহাক্না হায়খি, মমাঙগী লৈঙাক্লা শরদার বলভ্‌ভাই পতেলগী খুদোল থৌশাখিদবা তারবসু মীয়াম অমসুং নহারোলশিংনদি লূচিংবা অদুবু মপুং ফানা ঈকায় খুম্নরি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা প্রাইম মিনিষ্টরনা লৈবাক মীয়ামদা লৈবাক্কী অপুনবা শক্তম ঙাক্নবগী মতাংদা ৱাশক লৌহনখি।

রন ফোর য়ুনিটি লমথাদ্রিঙৈ মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টরনা শরদার বলভ্‌ভাই পতেলগী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা লৈখিদ্রবা লূচিংবা অদুদা ঈকায় খুম্নবা উৎখিবগা লোয়ননা হায়খি, তুংগী মীরোলনা লূচিংবা অসিবু কাউথোকপা ঙম্লোই।

লৈবাক্কী অহানবা দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর ওইখিবা শরদার বলভ্‌ভাই পতেল কুমজা ১৮৭৫গী ওক্টোবর ৩১দা গুজরাটকী নাদিয়াদ খুঙ্গংদা পোকখি। ইন্দিয়াগী আইরন মেন হায়না খঙনবা মীওই অসি কুমজা ১৯৯১দা খ্বাইদগী ৱাংবা সিবিলিয়ন এৱার্দ ভারত রত্না পীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, নীংতম্লবা মতুংদা শরদার বলভ্‌ভাই পতেলনা ইন্দিয়াগী মেপ নৌনা য়েকথোক্তুনা হৌজিক ওইরিবা লৈবাক্কী ফীভম অসি ওইহল্লকখিবনি। ঙসিগী মীরোলনা ঙক ৱাংবা থাঙ্গত্তুনা অমসুং চাউথোক্লা হিংবা ঙম্লিবসি মহাক্কী মপান্দগীনি।

হন্দক্তা সুরটতা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, শরদার পতেল লৈরমদ্রবদি ইন্দিয়াগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি ওইরম্লোই হায়বা য়াই।

অমরোমদা, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা নেসনল য়ুনিটি দে পাঙথোকপগী মতাংদা সেন্ট্রেল গভর্ণ-মেন্টকা ফোঙনা শীংনখ্রে।

শরদার পতেলগী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকপগী মতাংদা সেন্টরনা পীরকখিবা য়াথং অমত্তা ইনবা য়ারোই হায়না মমতা বেনর্জিনা লূচিংবা ৱেষ্ট বেঙ্গল গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অদুগী মহৈলোয়শঙশিংদা খঙহনখি।

পনবা য়াবদি, য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা শরদার পতেলগী মপোক নুমিৎ ওইরিবা ওক্টোবর ৩১দা রাষ্ট্রিয়া একতা দিবসকী থৌরম পাঙথোক্লবা ষ্টেট খূদিংমক্তা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা চীফ মিনিষ্টর খূদিংমক্তা অইবা চেরোল থাদুনা নুমিৎ অসিদা রন ফোর য়ুনিটি অমসুং মার্চ পাষ্ট পাঙথোক্লবা খঙহনখি। হ্যুমেন রিসোর্ছ দিভলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিনসু ওক্টোবর ৩১দা য়ুনিটি রন পাঙথোক্লবা অৱাংবা থাক্কী মহৈলোয়শঙ খূদিংমক্তা য়াথং পীখি।

# ইন্দিরা গান্ধীগী মফমদা মোদি, প্রনব, মনমোহন, রাহুলনা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ৩১ (এজেন্সী) :

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, হান্নগী প্রসিদেন্ট প্রনব মুখর্জি, হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহ অমসুং কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধী য়াওনা লৈবাক্কী লূচিংবা কয়ানা লৈখিদ্রবী প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধীগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

ইন্দিরা গান্ধী লৈখিদবগী ৩৩শুবা কুমওন থৌরম শক্তি স্থালদা পাঙথোকখি। মফম অদুদা লূচিংবা কয়ানা লৈ কত্তুনা লৈখিদ্রবী ইন্দিরা গান্ধীগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

ইন্দিয়াগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর জৱাহরলাল নেহরুগী মচানুপী ইন্দিরা গান্ধীনা লৈবাক্কী অহানবা নুপী প্রাইম মিনিষ্টর ওইখিবনি। মহাকপু কুমজা ১৯৮৪গী ওক্টোবর ৩১দা মশামক্কী বোদি গার্দনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি।

পঞ্জাবতা হৌরকপা খালিষ্টানগী ঈহৌ নমথনবগীদমক হরমন্দির সাহিব (গোল্ডন টেম্পল) মনুংদা মিলিটরি ফোর্সেস থাজিন্নবা য়াথং পীখিবগীদমক ইন্দিরা গান্ধীবু মশামক্কী বোদি গার্দনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি।

লৈখিদ্রবী লূচিংবী অসিনা কুমজা ১৯৬৬কী জন্যুৱারীদগী কুমজা ১৯৭৭কী মার্চ ফাওবা অমসুং কুমজা ১৯৮০গী জন্যুৱারী ১৪দগী শিদ্রিবা ফাওবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরমই। কুমজা ১৯৮৪গী ওক্টোবর ৩১দা বেন্ট সিংহ অমদি শটৱন্ত সিংহ কৌবা বোদি গার্দ অনীনা ইন্দিরা গান্ধীবু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি।

বি বি সীগী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না নোংমৈনা পানবদগী শোক্লবী ইন্দিরা গান্ধীবু এইমসতা পুখত্তুনা লায়কন্নবা মতমদা ঈ বোট্ল ৮০ কাপ্তুনা পূন্সি কন্নবা হোৎনখি হায়রি।

জগদেব সিংহ গুলেরিয়া, এম এম কাপুর অমদি এ এস বলরাম কৌবা এইমসকী ডোক্টর অহুম্না য়াম্না কন্না হোৎনদুনা ইন্দিরা গান্ধীগী পূন্সি কন্নবা থৌরাং লৌখৎখি। অদুবু হোৎনবা পুন্না অরেম্বা তাখি।

নুমিৎতুদা বেন্ট সিংহনা ইহান হান্না ইন্দিরা গান্ধীদা নোংমৈ মরু অহুম কাপশিনখি। মরু অহুম্মক ইন্দিরা গান্ধীগী মপুক, থবাক অমদি মখ্বাংদা পানখি। মতাং অদুদা সটৱন্ত সিংহ কৌবা অতোপ্পা বোদি গার্দ অমনা থোম্পসন ওটোমেটি কর্বাইনদগী নোংমৈ মরু ২৫ ইন্দিরা গান্ধীদা কাপশিনখি।

কুমজা ১৯১৭কী নবেম্বর ১৯দা পোকখিবী ইন্দিরা গান্ধীনা অহানবদা পোলিটিক্সতা খোঙ থাজিনবা পামখিদে হায়না মহাক্কী মমৌনুপী, হৌজিক্লা কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট ওইরিবী সোনিয়া গান্ধীনা কুমজা ২০১৬তা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

অমরোমদা, সিরোমনি অকালি দলনা লৈখিদ্রবী ইন্দিরা গান্ধীগী মিতম খিনবা য়ারোই হায়না পঞ্জাব কোংগ্রেসতা তকশিনখ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অমদা সিরোমনি অকালি দলগী লূচিংবা বিরসা সিংহ বলতোহানা হায়খি, করিগুম্বা পঞ্জাবতা ইন্দিরা গান্ধীগী মিতম খিনবা তারবদি ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা অশোকপদা থুম থাকচিনবা ওইনা থোক্কনি। কোংগ্রেস পার্টিগী মখুত্তা সিখ ফুরুপ্পা অৱাবা কয়া খাংদুনা লাক্লে হায়নসু বিরসা সিংহ বলতোহানা ফোঙদোকখি।



# নবেম্বরদা রাহুল গান্ধীনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট ওইরবা য়াই

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ৩১(এজেন্সী) :

কোংগ্রেসকী অনৌবা প্রসিদেন্ট খন্নবগী মতম লেপত্রবসু পার্টিগী মীওই কয়ানদি মথং থাদা রাহুল গান্ধীনা অনৌবা প্রসিদেন্ট ওইরগনি হায়না থাজবা থল্লি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা পাঙথোকখিবা পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরিশিংগী ওইবা মীফম অমদা রাহুল গান্ধীবু অনৌবা প্রসিদেন্ট ওইনা খনবগী ৱাফম পুখৎখি।মীফম অদুদা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা পার্টিগী অনৌবা প্রসিদেন্ট অমা খন্নবগী থৌরাং অথুবা মতমদা পায়খৎনবা ৱারেপ লৌখি। থেংলবদা নবেম্বর থা মনুংদা অনৌবা প্রসিদেন্ট খনবগী থৌরাং পূম্নমক লোইশিল্লগনি হায়রি।

দিসেম্বর ৩১গী মমাঙদা রাহুল গান্ধীনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট ওইখিরোই হায়না পার্টি মনুংগী সোর্ছ অমনা ফোঙদোকখ্রবনি। গুজরাটকী এসেমব্লি ইলেক্সন পাঙথোক্কদবা লৈবনা রাহুলবু খুদক্তা প্রসিদেন্ট ওইহন্নবা থৌরাং থেংথহনখিবনি।

সোর্ছ অদুনা হায়খি, রাহুল গান্ধীনা কোংগ্রেসকী লূচিংবা ওইবগা লোয়ননা য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিব এলাইয়েন্স অমদি লৈবাক্কী লূচিংবা ওইবদা থিংবিনবা লৈতে। অদুবু হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা পার্টিগী ফম শিন্দোক শীজিন তৌবা মতম চাদবা মরম্না মহাকপু খুদক্তা পার্টি প্রসিদেন্ট ওইহন্দবনি হায়রি।

অথুবা মতমদা রাহুল গান্ধীনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট ওইরগনি হায়না রাহুলগী অপোকপী সোনিয়া গান্ধীনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না অথুবদা রাহুলনা পার্টি প্রসিদেন্টকী থৌ পুরগনি। ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস কম্মিটিগী দিল্লি য়ুনিটনা দিৱালি মতুংদা রাহুল গান্ধীবু প্রসিদেন্ট ওইহন্নবা ৱারেপ লৌখ্রবনি।

# আধারনা লৈবাক্কী সিক্যুরিটিদা শীংনরে: সুব্রমনিয়ন স্বামি

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ৩১(এজেন্সী):

বি জে পিগী রাজ্য সভা এম পি সুব্রমনিয়ন স্বামিনা হায়খ্রে মদুদি, মীপুম খূদিংমক তঙাইফদনা আধার কার্দ পায়হন্নবগী মতাংদা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিনা লৈবাক্কী সিক্যুরিটিদা চাউনা শীংনরক্লে।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা মহাক্লা হায়খি, সুপ্রিম কোর্টকী কন্সটিট্যুসন বেঞ্চনা লৈবাক্কীদমক খন্দুনা মীপুম খূদিংমক আধার কার্দ পায়দবা য়াদে হায়বা সেন্ট্রেল গভর্ণ-মেন্টকী থৌরাং অসিগী মায়োক্তা ৱায়েল অমা পীরকপা য়াই।

সুপ্রিম কোর্টনা আধারগী মতাংদা অরোইবা ৱায়েল পীনবগীদমক জজ মঙানা শাবা কন্সটিট্যুসন বেঞ্চ অমা শেমখ্রবা মতুংদা স্বামিগী ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

আধার লোনা মীচম মীয়ামগী রাইট টু প্রাইভেসিদা চাউনা শীংনরক্লে হায়না থাঙ্গৎলকখিবা পিটিসন অমগী মতাংদা অরোইবা ৱায়েল পীনবগীদমক চীফ জষ্টিস দিপক মিস্রা, জষ্টিস এ এম খনৱিলকর অমসুং জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচুদকী বেঞ্চ অমনা কন্সটিট্যুসন বেঞ্চ শেম্নবগী য়াথং পীখিবনি।

এটোর্নি জেনরেল কে কে ভেনুগোপালনা সুপ্রিম কোর্টকী বেঞ্চ অদুদা হায়খি মদুদি, গভর্ণমেন্টনা আধারগী মায়োক্তা থাঙ্গৎলকপা ৱাকৎ খূদিংমক্কী মতিক চাবা পাউখুম পীখিদবনিনা হীরম অসিগী মতাংদা কোর্টনা ইন্টরিম ওর্দর অমত্তা পীফম থোক্তে। মীয়ামগী চিংনবা কোকহন্ন-বগীদমক গভর্ণমেন্টনা ওর্দর অমসুং নোটিফিকেসন ১০০গী মথক্তা পুথোকপা লৈখ্রে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

মোবাইল ফোন অমদি আধার লিঙ্ক তৌহনগদবনি হায়বা থৌরাং অমবু শীংনরদুনা থাঙ্গৎলকখিবা পিটিসন অমগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী পাউখুম কৌবা লৈখ্রবনি। জষ্টিস এ কে সিক্রি অমসুং জষ্টিস অশোক ভূষণগী বেঞ্চনা চয়োল ৪গী মনুংদা পাউখুম পীরক্কদবনি হায়না সেন্টরদা খঙহনখি।

ৱেষ্ট বেঙ্গল গভর্ণমেন্টনা সবসিদি পীবগী মতাংদা আধারগা লিঙ্ক তৌহনবগী মায়োক্তা থাঙ্গৎলকখিবা পিটিসন অমা এমেন্দ তৌনবসু কোর্টনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা খঙহনখি।

সুপ্রিম কোর্টনা হায়খি, সেন্টরনা পাস তৌবা লো অমবু ষ্টেট গভর্ণ-মেন্টনা শীংনরকপা তারবদি সেন্টরনসু ষ্টেটকী লোশিং শীংনরকপা য়াবগী ফীভমদা লৈ।

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা লৈবাক্কী সিটিজেন অমা ওইনা আধারগী মায়োক্তা পিটিসন ফাইল তৌরকপদা অকায়বা লৈতে। অদুবু ষ্টেট অমগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা সেন্টরগী লো শীংনরকপদি য়াফম থোক্তে হায়নসু সুপ্রিম কোর্টনা ফোঙদোকখি।



# চাইনানা ব্রহ্মপুত্রদা খ্বাইদগী শাংবা টনেল শেমগৎকদৌরি

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ৩১(এজেন্সী) :

চাইনানা ব্রহ্মপুত্র তুরেলগী ঈশিং লৌনবগীদমক মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী শাংবা টনেল অমা শেমগৎনবা থৌরাং তৌরি হায়না মিদিয়া রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

হোং কোংদা ফোঙবা সাউথ চাইনা মোর্নিং পোষ্টকী রিপোর্টনা হায়খি, চাইনানা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিনা হিমালায়ন রিজনদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরগনি হায়না ইনভাই-রোনমেন্টেলিষ্টশিংনা নুংনাংবা পোক্লি।

খা থংবা টিবেটকী য়ারলুং শাংপো তুরেলনা ব্রহ্মপুত্র তুরেলগা শম্নফমদা টনেল অমা শেম্লগা চাইনানা লিয়াওনিং প্রোভিন্সতা ঈশিং চিংথোক্ল বা থৌরাং লৌখৎলকখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, চাইনানদি ব্রহ্মপুত্র তুরেলগী ঈশিং চিংথোক্লবগীদমক টনেল শেমগৎনবা থৌরাং লৌখৎপা লৈতে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপার্সন হুৱা চুনয়িংনা পাউমীশিংদা হায়খি, হোং কোংগী পাউচে অমনা ফোঙলকখিবা ৱাফম অদু অরানবনি। চাইনানা ঙসিসু লৈবাক অমদগী অতোপ্পা লৈবাক অমা তম্না চেনবা তুরেলগী ঈচেল থৈদোক্লবা হোৎনবা লৈতে। করিগুম্বা চাইনানা কিলোমিটর ১০০০ শাংবা টনেল অমা শেমগৎনবা থৌরাং লৌখৎলে হায়বা ৱাফম অসিনা অচুম্বা ওইরম্বা তারবদি ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী মরী অমুক্কা হেন্না শোকচিল্লকপগা লোয়ননা বাংলাদেশনসু চাইনাগী মায়োক্তা থৌরাং কয়া লৌখৎলকপা য়াই হায়রি। ব্রহ্মপুত্র তুরেলনা বাংলাদেশকী ইনভাইরোনমেন্ট অমদি শেন্মীৎলোন্দা চাউনা মতেং পাংলিবা মরম্না তুরেল অসিগী ঈচেল থৈদোকখিবা হায়বসি বাংলাদেশকী ওইনদি অচৌবা মাঙজবা অমনি।

# হিমাচল প্রদেশতা প্রেম কুমারবু বি জে পিগী চীফ মিনিষ্টর মীরেপ ওইহনখ্রে



শিল্লা, ওক্টোবর ৩১(এজেন্সী):

নবেম্বর ৯দা এসেমব্লি মীখল পাঙথোক্কদৌরবা হিমাচল প্রদেশতা প্রেম কুমার ধুমালবু চীফ মিনিষ্টরগী মীরেপ ওইন পুথোক্লগনি হায়না ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না লাউথোকখ্রে।

অনীরক হন্না হিমাচল প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর ওইখ্রবা ধুমালনা হন্দক্কী এসেমব্লি মীখলদা হমিরপুরগী মহুত্তা সুজনপুরদা ওইনা মীরেপ ওইরগনি হায়রি।

রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর জে পি নদাসু ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টরগী ফম তান্নবদা য়াওরি।

মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা পার্টিগী নেসনল প্রসিদেন্ট অমিত শাহনা হায়খি, প্রেম কুমার ধুমালগী লীচিং মখাদা বি জে পিনা হিমাচল প্রদেশ এসেমব্লিগী মীখল থেংনরগনি।

চৈরকসিদা, শিব সেনানা লাক্কৌরিবা গুজরাট এসেমব্লিগী মীখলদা সিট ২৫দা মীরেপ থাদোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

পাউমীশিংগা উনবা অমদা শিব সেনাগী লূচিংবা অমনা হায়খি, হিন্দুশিংগী ভোট চিংথোকপা পামদবদগী কুমজা ২০১২দা শিব সেনানা মীরেপ অমত্তা থাগৎখিদবনি। বি জে পিনা শিব সেনাগী মফমদা থাজবা থমদ্রবনিনা পার্টি অসিনা এসেমব্লি মীখলদা মীরেপ থাদোকপদা অকায়বা লৈত্রে। জি এস টি অমসুং দিমোনেটাইজেসন্নচিংবা থৌরাং কয়া লৌখৎলক্তুনা মীয়ামদা অৱাবা পীখিবগীদমক বি জে পিবু মায়থিবা পীরগনি।

# রবি শঙ্করনা সিয়া ৱাকফ বোর্দকী লূচিংবা ৱাশিম রিজবিগা উনখ্রে

বেঙ্গলুরু, ওক্টোবর ৩১(এজেন্সী):

আর্ট ওফ লিভিংগী ফাউন্দর শ্রী শ্রী রবি শঙ্করনা ঙসি উত্তর প্রদেশ সিয়া ৱাকফ বোর্দকী লূচিংবা ৱাশিম রিজবিগা উনদুনা অযোধ্যাগী মতাংদা ৱারী শানখ্রে।

রবি শঙ্করগী মফমদা থাজবা থম্লদুনা সিয়া ৱাকফ বোর্দকী লূচিংবনা হায়খি, লৈবাক্কী মীপুম খূদিংমক্লা ঈকায় খুম্নরিবা শ্রী শ্রী রবি শঙ্করনা য়েৎনরিবা অযোধ্যাগী মতাংদা অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

আর্ট ওফ লিভিং ফাউন্দেসননা অচার্য্য রাম দাস য়াওনা তোঙান তোঙানবা স্বামি অমসুং ইমাম কয়াগা উনখ্রবা মতুংদা রবি শঙ্করনা ৱাশিম রিজবিগা উনদুনা অযোধ্যাগী মতাংদা ৱারী শানখিবনি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা ওগষ্ট থাদা উত্তর প্রদেশকী সিয়া সেন্ট্রেল ৱাকফ বোর্দনা য়েৎনরিবা অযোধ্যাদগী খরা লাপথোকপা মুস্লিমশিংনা নম্না খুন্দাবা মফম অমদা মোস্ক অমা শাবদা অকায়বা লৈতে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।



আর্ট ওফ লিভিংগী ফাউন্দর শ্রী শ্রী রবি শঙ্করনা অযোধ্যাগী মতাংদা ৱায়েনবগী রাইট লৈতে হায়না রাম টেম্পলগী ঈহৌগা মতম শাংনা লোয়নদুনা লাকখিবা বি জে পিগী এম পি ওইরম্বা রাম বিলাশ বেদান্তিনা ফোঙদোকখিবনি।

রাম টেম্পল শানবগী ঈহৌদা শরুক য়াখিদবা মীওই অমনা হীরম অসিগী মতাংদা ৱা ঙাঙফম থোক্তে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

বেদান্তিনা হায়খি, রাম টেম্পল শাবগী ঈহৌ অসি রাম জন্মভুমি নিয়াস অমসুং বিশ্ব হিন্দু পরিষদনা লূচিংখিবনি। অযোধ্যাগী মতাংদা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা ওর্গনাইজেসন অনী অসিদা ৱা ঙাঙনবগী খুদোংচাবা ফংহনগদবনি। রামগী মিতমদা অমুক্তা ফাওবা খুরুমদ্রিবা অমসুং রাম টেম্পল শাবগী ঈহৌদা শরুক য়ারকখিবদা মীওই অমবু মতৌ করম্না অযোধ্যাগী মতাংদা ৱায়েনবদা শরুক য়াগদৌরিবনো হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

হিন্দু অমসুং মুস্লিম ফুরুপকী মীওইশিংনা নুংঙাইনদবা পূম্নমক কাউথোক্লরগা বাব্রি মসজিদ-রাম টেম্পলগী মতাংদা য়াশিন্নবা পুরক্কদবনি হায়না আর্ট ওফ লিভিং ফাউন্দেসনগী শ্রী শ্রী রবি শঙ্করনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

NO.5/16/2017-MSRRDA/E-TENDER/PH-XI(B-I.2017-18)/642

**RURAL ENGINEERING DEPARTMENT**
**MANIPUR STATE RURAL ROADS DEVELOPMENT AGENCY (MSRRDA).**
**(DEPARTMENT OF RD & PR, GOVERNMENT OF MANIPUR)**
**4th Floor, Secured Office Complex, A.T. Line, North AOC: Imphal, Manipur**
**National Competitive Bidding Through e-Tendering**
**Dated, Imphal the 31st October, 2017**

The Chief Engineer, MSRRDA invites item rate tender through e-Procurement from eligible contractors for 127 (one hundred twenty seven) works of Pradhan Mantri Gram Sadak Yojana (PMGSY) Phase-XI (Batch-I, 2017-18) in Manipur State.

The procurement officer is Chief Engineer, MSRRDA, Imphal; the tender details and documents shall be available online from 06-11-2017 to 29-11-2017 at **https://pmgsytenders.gov.in / https://pmgsytendersman.gov.in**

Bid submission start date : 08-11-2017.
Bid submission end date : 29-11-2017.
Pre-Bid meeting : 08-11-2017 (Time : 11 : 00 A.M.,
Venue : Conference Hall of RED/MSRRDA).
Date of opening of Technical Bid : 30-11-2017 (–do–).

*Sd/-* **Th. Nandakishore Singh**
Chief Engineer, MSRRDA

*HL-B/4152/1&2*

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF TRADE, COMMERCE & INDUSTRY**
**N O T I C E**
Imphal, the 26th October, 2017

**No. EP-136/T,C&I/2017:** Applications in the prescribed form are invited from interested Weavers, Artisans, Entrepreneurs, NGOs, Companies, Firms, State and Central Govt. Departments for allotment of stalls in the Manipur Sangai Festival, 2017 to be held from 21st to 30th November, 2017 at (3) three venues, viz, (i) Palace Compound, (ii) Lamboikhongnangkhong, and (iii) Khuman Lampak Sports Complex, Imphal.

The prescribed application form can be obtained from the following:
(1) Directorate of Trade, Commerce & Industry, Manipur, Lamphelpat, Imphal
(2) The form may also be downloaded from **dcimanipur.gov.in**

Fees shall be charged for allotment of the stalls at the following rates:

| | | |
|---|---|---|
| i) Standard Stall (12′ X 10′) | - | Rs. 5,000/- |
| ii) Premium Stall (12′ X 20′) | - | Rs. 8,000/- |
| iii) Standard Food Stall (12′ X 20′) | - | Rs. 7,000/- |
| iv) Premium Food Stall (15′ x 30′) | - | Rs. 12,000/- |

The duly filled in application forms along with the stall fees (drawn in favor of Director of Trade, Commerce & Industry, Manipur) should be submitted to the Planning Section of Directorate of Trade, Commerce & Industry, Manipur on or before 5/11/2017.

No separate type of stall will be arranged for floriculture, vegetable, fruits and similar produces. Interested parties are informed to submit application in the prescribed form for the stalls mentioned above.

***Sd/-***
**C. Arthur Worchuiyo**
Director of Trade, Commerce & Industry, Manipur

*HL-B/4151/31&1Nov.*

**ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE**

Notice অসিনা মরম ওইদুনা মীয়ামদা খঙহঞ্জরি মদুদি Uripok Khaidem Leikai Development Society, Imphal গী Ex-President ওইবীরম্বা **Shri Khongbantabam Jadumani Singh** না হৌখিবা তাং ২৭/১০/২০১৭ ইংদা ইখঙ খঙহৌদনা মপুগী লৈকোলদা তিনখিবা অসিদা Uripok Khaidem Leikai Development Society গী মেম্বরশিংনা মীনিট ২ (অনী) তুমিন্না লৈদুনা লৈখিদ্রবা মহাক্কী অত্মা শান্তিনা মপু মাগী লৈকোলদা ইংনা চিক্লা লৈরুনবা মপু মাগী মফমদা ঐখোয় খ্বায় খিবিক্লা থৌনিজরি।

*থৌনিজরিবা ঃ* **I. BINOY SINGH,** *Secretary,* Uripok Khaidem Leikai Development Society, Imphal গী Executive Member শিং অমসুং লৈকাই অসিগী অহল-লমনশিং।

*HL-P/3019/1*

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG**

***Ref:- Mut. Case No. 376/SDC/NTK/2017***

Potshangbam Binod Singh S/o (L) P. Yaima Singh of Potshangbam Awang Leikai.
*... Petitioner*

-Vs-

Late Potshangbam (N) Oinam (O) Tombirei Devi W/o Koireng of Potshangbam.
*... O.P*

**ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE**

Ningthoukhong, 31st October, 2017

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি 42-Potshangbam Village গী Patta No. 203 (O) 431 (N) C.S. Dag No. 2271 an area 0.31 acre of Ingkhol Class অসি Pattadar অসি মৃত. ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মশুনুপা (Petitioner) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি উক্ত কোর্টতা লাক্লিবা তাং ৭/১১/২০১৭ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্ত তাংগী মতুংদা লাকপা অপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**
Ningthoukhong, Manipur

*HL-P/041/1*